# রুসিয়ানা আর্কটিক লমদমদা থাউ পুথোকপা হৌখ্রে

*মোস্কো, দিসেম্বর ২১ঃ* পৃথিবীগী হৌজিক ফাওবা মীওইবনা থিদোক্লিবা ইনর্জি রিজার্বশিংগী চাদ ১৩ রোম লৈরিবা আর্কটিক লমদম অসি রুসিয়াগী থোইদোক্লা মরুওইবা ইকোনোমিগী অমদি সিক্যুরিটিগী মরী লৈনবা মফমনি হায়না রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ফোঙদোকখ্রে।

লমদম অদুদা থাউ পুথোকপা হৌরে হায়নসু রুসিয়ানা লাউথোকখিবদগী নোংচুপ লমদমশিংদা লৈরিবা রাইভেল ওইবা লৈবাকশিংদসু আর্কটিক রিজনগী ইনর্জি রিজার্বশিংদা হেন্না মিৎয়েং চিংশিন্নবা মরম অমা ওইরে। রুসিয়াগী নেচরেল গ্যাস মোনোপোলি গাজপ্রোমনা ঙরাং হায়খিবদা মসিনা লৈবাক অসিগী অহানবা আর্কটিক ওফসোর প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা পেচোরা সিগী প্রিরালোমনোয়িদা থাউ লৌথোকপা হৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

আর্কটিক লমদমদা লৈরিবা ঈশিং মখাদগী কম্মর্সিয়েল ওইবা থৌরাংদা থাউ পুথোকপগী খোঙথাং লৌখৎপা মালেমগী ইহান হানবা কম্পেনিনা অসি গাজপ্রোমনা ওইরে। হাকুম চহিদসু রোয়েল দচ সেলনা আর্কটিক্তা লৈরিবা থাউ মপৈশিংগী মরমদা থিজিন্নবা অহানবা থৌরাং অদু অলাস্কা কোষ্টকী মপান্দা চথরম্বা লৈনুং হুৎপগী থবক সম্পেন্দ তৌবগা লোয়ননা তোকখিবনি। গাজপ্রোমগী সি ই ও ওইবা অলেক্সে মিল্লরনা হায়বদা রুসিয়াগী আর্কটিক্কী লনশিং দিভলপ তৌবদা ঐখোয়না লময়ানবা হায়বদু ওইরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

টন মিল্লিয়ন তম্ভাইগী ওইবা প্রিরা লোমনোই প্লেটফোর্ম অসি মালেমদা ইহান হানবা আর্কটিক ক্লাস আইস রেজিষ্টেন্ট ওইল রিগ হায়বদু ওইদুনা অচেৎপা খোঙফম অমা শাগৎখ্রে।

প্রিরালোমনোই হায়রিবসি থাউ টোন মিল্লিয়ন ৭২ খক্তমক লৈবা অপিকপা থাউগী ফিল্ড অমনি। অদুবু গাজপ্রোমনা হায়বদা চংশিল্লিবা অসি চাংয়েংগী ওইবা প্রোজেক্ট অমনি। কম্পেনি অসিনা লমদম অসিদা অচৌবা হায়দ্রো কার্বোন প্রদক্সন সেন্টর অমা য়াম্না চাওনা লিংনবা থৌরাংসু তৌরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

আর্কটিক্কী সমুদ্রগী লৈখাদা রসিয়াগী ওইবা শরুক অদুদা ওইল্ড এন্দ গ্যাস ফিল্ড ৩০ রোম দিভলপ তৌনবা লাইসেন্স গ্রাজপ্রোমনা পায়রবনি হায়নসু কম্পেনি অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

থা অনিগী মমাংদা রুসিয়ানা আর্কটিক সনরাইজ আইস ব্রিক্কর মথক্তা প্রিরালোনোই প্লেটফোর্মদগী থাউ লৌথোক্লবগী থৌরাংগী মায়োক্তা ৱাকৎপা এক্টিভিষ্ট ৩০ রোমসু ফাখিবনি। ৱাকৎলোইশিং অদু কৈশুমশঙদা চহি ৭ ফাদোক ওইবা য়াবগী চৈরাক ফংনিংঙাই ওইরবসু মমাং চয়োলদা রসিয়ান পার্লিয়ামেন্টনা চৎনহনখিবা এমনেষ্টি থৌরাং অমগী মখাদা ঙাকপীখিবনি।

রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লদিমির পুটিননা আর্কটিক লমদম অসি মীওইবনা খঙদ্রিবা ইনর্জি রিজার্বশিংগী চাদ ১৩ দি লৈবা মফমনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। থা অসিগী হৌরকপদা প্রসিদেন্ট অসিনা মকোক থোংবা মিলিটরি কম্মান্দরশিংদা হায়খিবদা রসিয়ানা আশানা থল্লবা লমদম অদু শেমগৎনবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখিবনি। অদুগা আর্কটিক লমদমশিংদা মসিগী মিলিটরি ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি ক্রুপশিং দিপ্লোই তৌনবসু খঙহনখিবনি। অমরোমদা ইন্দিয়ানসু রসিয়াগী আর্কটিক্তা লৈরিবা লন থুমশিং অসি লৌথোকপা পাল্লিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহোন সিংহনা হৌখিবা ওক্টোবরদা মোস্কোদা চৎলুবদা ও এন জি সি–ও বি এলনা আর্কটিক লমদমদা রসিয়াগী কম্পেনিশিংনা হায়দ্রো কার্বোনশিং থিদোক্লবা হোৎনরিবা থৌরাং অদুদা শরুক য়ানিংবগী ৱাফম অমুক্কা হন্না পনখিবনি।

# খা সুদানদা মী হোনবা প্লেনশিংদা নোংমৈ কাপ্লকখ্রে



*জুবা, দিসেম্বর ২১ঃ* খা সুদানদা মীচম মীয়াম হোন্দোকপগী থবক চথরিবা য়ু এসকী এয়ার ক্রাফট অনিদা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা অশোক–অপনসু য়াওরে হায়না এয়ার ক্রাফটশিং অদুনা থুংলখিবা উগান্দাদা পাউশিংনা ফোঙদোক্লখ্রে।

এয়ার ক্রাফট অদু হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট রিয়েক্ট মচারনা খোমজিনবা ফোর্সশিংনা পায়দুনা লৈরিবা বোর টাউন মনাক্তা নোংমৈ কাপ্তুনা এটেক তৌরকপনি হায়রি।

পনবা য়াবদি সুদানদা থোক্লিবা খুৎ থোক্লিবা থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবা মীওই ৫০০ দি শিখ্রবনি। এরোপ্লেনদা কাপশিল্লকপা থৌদোক অসিগী মতাংদদি অকুপ্পা ৱারোলশিং খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু প্লেন অমদি নোংমৈনা পানখ্রে হায়বা চুপ্লে। অদুগা মদুদা য়ু এস পার্সোনেল কয়ামরুমসু শোক্লে হায়রি।

উগান্দাগী কোনুং কম্পালা মনাক্তা লৈবা এন্টেবি এয়ারপোর্টতা হল্লকপদা এরোপ্লেন অদুদা নোংমৈনা কাপ্লকপনি হায়রি।

ৱাফম অমনা খা সুদানগী লান্মীনা য়োংলৈ ষ্টেটকী কোনুং ওইরিবা বোর টাউন অমুক লৌশিন্নবা হোৎনরি। হায়রিবা মফম অসি খা সুদানদা খ্বাইদগী ইরাং থোকনবা মফম অমনি। খা সুদানগী আর্মিগী হেল্লিকোপ্টর গনসিপশিংনা ঙাক্লৌ ওইবা লান্মীশিং টাউন অসি তন্না হৌজিক চংশিনখ্রে হায়না লান্মীগী ৱাঙাংলোই ফিলিপ আগুয়রনা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখ্রে।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা য়ুনিটি ষ্টেটতা সেনিয়ার কম্মান্দর ওইবা জেনরেল জেমস কোৱাংসু মচারগী ফোর্সতা য়াওশিনখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

মচারনা হায়বগী মতুংইন্না থাউ পুথোকপা মরুওইবা মফম অসি হৌজিক জেনরেল কোৱাংনা কন্ট্রোল তৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে। অদুবু সুদান পিপলস লিবরেসন আর্মি (এস পি এল এ) না হায়বগী মতুংইন্নদি জেনরেল অসি মথন্তা চোংশিনখিবনি। মহাক্কা লান্মী অমত্তগা লোয়নখিদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিটি ষ্টেটতা লৈবা মীওই অমনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা জেনরেল কোৱাংনা লোকেল রেদিওদা মহাক মচারগী লালহৌদা য়াওরে হায়না লাউথোকখ্রে হায়রি।

# জপানগী মিলিটরি ষ্ট্রেটিজি চাইনানা য়ানিংদবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে



*বৈজিং, দিসেম্বর ২১ঃ* জপাননা লৌখৎলক্লিবা অনৌবা নেস্নেল সিক্যুরিটি ষ্ট্রেটিজি অসি চাইনানা য়ানিংদবা ৱাফম ফোঙদোকপগা লোয়ননা থৌরাং অসি মিলিটরিগী মপাঙ্গল শন্দোরক্লবা হোৎনবনি হায়না চাইনাগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই গেং য়ান সেংনা ফোঙদোকখ্রে।

চেরোল অমদা ৱাঙাংলোই অসিনা হায়খিবদা জপানগী খোঙথাং অসিনা লমদম অসিদা উংখৎনবা ফিভম হেনগৎহল্লগনি হায়খ্রে হায়না জিনহুৱানা ফোঙদোকখ্রে।

চয়োল অসিগী হৌরকপদা জপাননা হায়খিবদা দ্রোনশিং অমদি এম্ফিবিয়স ভেহিকলশিং য়াওনা থোইদোক্লা খুমাং চাওশিল্লবা মিলিটরিগী খুৎশু খুৎলায়শিং লৈরগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

ৱাফম অসি টোকিয়োনা ইষ্ট চাইনা সিদা কন্ট্রোল তৌবা ইথৎ অমবু চাইনানা লাউথোকপা এয়ার দিফেন্স জোন মনুং চল্লে হায়না লাউথোক্লুবদগী লৈবাক অনিগী মরক্তা কন্না উংখৎনরিঙৈ চৈরক্তা ফোঙদোকখিবনি। গেংনা হায়খি, জপাননা ঐখোয়গী ৱাফম অসিগী মরী লৈনবা খোঙথাং লৌখৎলকপশিং অদু চাইনানা য়ানিংদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

টোকিয়োবু মরাল শীবা ৱাফম অমদা মসিগী নেস্নেল সিক্যুরিটি হায়বা ৱাহৈ অসি লৈবাক অদুগী মিলিটরি এক্সপান্সনবু লোৎশিন্নবা ৱাহৈনি হায়নসু গেংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী চেরোল অদুদা হায়বগী মতুংইন্না জপানগী সিক্যুরিটি পোলিসি অসি য়ুমথংনবা লৈবাকশিংগী ওইনদি কোক চিক্লিঙাই ওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা জপাননা মিলিটরিগী মরমশিংদা অহেনবা চাদিং থাদনবা লাউথোকখি। মদু চাইনানা ইষ্ট চাইনা সিগী মথক্তা পাক চাওরবা মালংগী শরুক কোনশিন্দুনা এয়ার দিফেন্স আইদেন্টিফিকেসন জোন লাউথোকখিবা মতুং চয়োল খরা লৈরগনি। জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা হায়খিবদা, মিলিটরিনা পাঙথোকপা থবক থৌরমশিং খরা হেন্না পাকথোক চাওথোকপা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা চহি ৫ রোমগী মনুংদা জপাননা লান্মীগী মপাঙ্গল হেনগৎহন্নবা এন্টি মিসাইল দেষ্ট্রোয়রশিং, সব মেরিনশিং, এম্ফিবিয়স ভেহিকল ৫২, সর্ভিলেন্স দ্রোনশিং, য়ু এস ফাইট প্লেনশিং অমদি লৈমায়দগী চপ য়ুংনা পায়খৎপা ঙম্বা বোইং ওস্প্রে এয়ারক্রাফট ১৭ লৈরগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

ষ্টোকহোল্ম ইন্টর্নেস্নেল পিছ রিসার্স ইন্সটিট্যুটনা হায়বগী মতুংইন্না জপান অসি লান্মীদা শেল খ্বাইদগী চাওনা থাদবা মালেমগী ৫ শুবা লৈবাকনি। অদুগা য়ু এসকী হেক মথংদা চাইনানা লান্মীদা শেল খ্বাইদগী চাওনা থাদবা অনিশুবা লৈবাকনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

# এম্বুসদা ইরাক্কী আর্মি ওফিসার ১৮ শিরে

*বাঘদাদ, দিসেম্বর ২১ঃ* ইরাক্তা সুনি মুস্লিমশিংনা নম্না তাবা অনবার প্রোভিন্সতা চথরকপা এম্বুস অমদা য়ামদ্রবদা ইরাক্কী আর্মি ওফিসার ১৮ শিরে হায়না মিলিটরিগী লিখুনশিংনা ফোঙদোক্লি।

আর্মিগী ৭ শুবা দিভিজনগী কম্মান্দর ওইবা অদুগা ২৮ শুবা বৃগেটকী কম্মান্দরগী থৌসু পুরিবা অমা য়াওনা অতোপ্পা অৱাংবা থাক্কী ফম পায়বা ওফিসার কয়ামরুম শিখিবশিংগী মরক্তা য়াওখ্রে হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অদুদা লান্মী ৩২ সু অশোক অপন নংখি।

অদুবু অল–কাইদাগা শম্নবা সুনি মিলিটেন্টশিংনা কন্ট্রোল তৌবা লমদম অসিদা মতৌ করম্না অসুক য়াম্বা সেনিয়ার ওফিসারশিং অসি পুন্দুনা চৎলুবনো হায়বদুমদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু লিখুন খরনা হায়বদদি মনাক অদুৱাইদা থোকখিবা লানফম অমদা মিলিটরিনা মায় পাকখিবা অমগী নিংশিংবা য়াবা দোক্যুমেন্ট অমা লৌনবা লাকখিবনি হায়না ফোঙদোকই।

অতোপ্পা লিখুন খরনা হায়বদনা এক্সপ্লোসিভ বেল্ট ফাবা স্যুসাইদ বোম্বর ৩ থোরক্তুনা ওফিসারশিং অদুগী মরক্তা চংশিল্লক্লগা মশাগা লোয়ননা পোকখাইমিন্নখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসি বাগদাদকী নোংচুপলোমদা লৈবা রুটবা হায়বা টাউন অসিগী মী লৈনদ্রবা বিল্ডিং অমগী মনুংদা থোকখিবনি হায়নসু লিখুনশিং অদুনা ফোঙদোকই।

থৌদোক থোকফমদা য়াওরুবা মিলিটরি ওফিসার অমনা হায়বগী মতুংইন্না ঐখোয়না খঙবা হায়ববু এক্সপ্লোসিভ বেল্ট ফাবা স্যুসাইদ বোম্বর অহুম মফম ইখঙ খঙহৌদনা থোক্লক্তুনা ওফিসারশিংগী মরক্তা চংশিল্লক্লগা পোকখাইমিন্নখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নুরি–অল–মালিকিনা হায়বদা মফম অদুদা লান্মীশিংনা ওপরেসন অমা চথরগা মিলিটেন্টশিং অদুবু ফানবা হোৎনগদবনি হায়না ওর্দর থোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা এম্বুস এটেক অসি করম্বা গ্রুপনা চথরকপনো হায়বগী ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। অদুমকপু স্যুসাইদ বোম্বীং হায়বা লাল্লোং অসিদি অলকাইদাগী মরী শম্নবা লুপশিংনা হেক–হেক চথবা লালোংনি।

পনবা য়াবদি অলকাইদাগা শম্নবা মিলিটেন্টশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং, মীচম মীয়াম অমদি থেংনবা মীপুম খুদিংমক্তা এটেক চথবগী থবক য়াম্না হেনগৎলক্লিবনি। থৌদোকশিং অসিনা ইরাকপু হৌখিবা চহি ৫ গী মনুংদা খ্বাইদগী মীশিং মীনা থোকপা মফম অমা ওইহনবগা লোয়ননা তোঙান–তোঙানবা থৌদোকশিংদা মীচম অমদি সিক্যুরিটি ফোর্স কয়ামরুম শিখ্রবনি।

বাগদাদতগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৩০০ লোম চৎলগা লৈবা সিরকৎতসু পুলিসকী কম্মান্দর ইন চিপ অমা অসিগুম্বা এটেকতা শিখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ওফিসার ৪ সু লম্বী নাকলদা ফুম্লম্বা বোম অমা পোককাইরকপদা শিখ্রবনি হায়নসু পুলিস অমদি মেদিকেল সোর্সশিংনা ফোঙদোকই।

# মৈ চাকপদগী য়ু কেগী থিম পার্ক থিংজিনখ্রে

*লণ্ডন, দিসেম্বর ২১ঃ* বৃটিশ থিম পার্ক অমগী কেফে অমদা মৈ চাকপদগী থিম পার্ক অদু ঙসি থিংজিনখ্রে হায়রি।

মৈ অদু লম কোইবশিংনা অমদি মীয়ামনা য়াম্না পাম্নবা মফমশিংদসু শন্দোরকখি হায়রি।

লণ্ডন ফয়ার বৃগেদনা হায়বগী মতুংইন্না ইন্টর্নেস্নেল ষ্টেন্দর্দ টাইমদা নুমিদাং পুং ২গী হেক মতুংদা চেশিংটন ৱার্ল্ড ওফ এদভেঞ্চর হায়বা সুরেদা লৈবা মফম অসিদা মৈ চাকপদগী এলার্ট লাউথোকখ্রে হায়রি।

মীয়ামনা য়াম্না চংবা মফম অসি হাঙদ্রিঙৈদা মৈ অদু হৌরকখিবনি। মরম অসিনা কনাগুম্বা অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদে হায়নসু পার্ক অসিনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোকখ্রে।

পুং ২.৫০ রোম চৎপদা মৈ অদু লাকশিনবা ঙমখি হায়রি। মৈহৌ লাংপোক অদু পার্ক অমদুদা লৈবা জু অমগী মনাক্তা হৌরকখিবনি। অদুগা জু অদুদা লৈবা শাশিং অশোই অঙাম থোক্লোইদবা মফমদা পুথোকখ্রে হায়নসু ফয়ার সার্ভিসনা ফোঙদোকখ্রে।

পার্ককী ৱেবসাইটতা থাগৎলকপা চেরোল অমদা হায়খিবগী মতুংইন্না হান্না খঙহৌদবা ফিভম খরনা মরম ওইদুনা চেশিংটন ৱার্ল্ড ওফ এদভেঞ্চর অসি ঙসিগী ওইনা থিংজিল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মৈ অদু হেক চাক্লকপগা খুদক্কী ওইবা অথুবা খোঙথাংশিং লৌখৎখি। মৈ কনবা ফয়ার ইঞ্জিনশিং অথুবা মতমদা মফম অদুদা চংশিল্লকখি হায়রি।

মফম অদুদা লৈবা ষ্টাফ পুম্নমক খুদক্তা হোন্দোকখ্রে। অদুগা ষ্টাফ অমদি শাশিং অশোই অঙাম য়াওদনা লৈরি হায়নসু চেরোল অদুদা ফোঙদোকখ্রে।

# পাককী ৪শুবা ন্যুক রিয়েক্টর লোইগদৌরে

*ৱাশিংটন, দিসেম্বর ২১ঃ* পাকিস্টাননা মসিগী খুসাব ন্যুক্লিয়ার কমপ্লেক্সতা শাগৎলিবা মরিশুবা রিয়েক্টর বিল্ডিং অসি মপুং ফানা লোইগদৌবা খজিক্তা মঙাইরে হায়না য়ু এস থিঙ্ক টেঙ্ক অমনা ফোঙদোকখ্রে।

খুসাব ন্যুক্লিয়ার কমপ্লেক্স অসিনা পাকিস্টানগী ন্যুক্লিয়ার খুৎলায়গী প্রোগ্রামদা মথৌ তাবা প্লুটোনিয়ম পুথোক্লিবনি হায়নি।

কম্মর্সিয়েল সেট্টলাইট ইমেজরি শীজিন্নদুনা খুসাব কমপ্লেক্স অসিবু চহি কয়ামরুম য়েংশিন্দুনা লাকপা ইন্সটিট্যুট ফোর সাইন্স এন্দ ইন্টর্নেস্নেল সিক্যুরিটিনা ফোঙদোকপা ৱারোল অমদা হায়খিবদা বিল্ডিং অদু য়েংবদা মপুং ফানা লোইরবা ওইনা উরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইস্লামাবাদতগী খা রোমদা কিলোমিটর ২০০ রোম চৎলগা লৈবা হায়বা খুসাব কমপ্লেক্স অসি ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় শাবদা শীজিন্নবা প্লুটোনিয়ম পুথোক্লবখক্কী থবক তৌবনি। পাকিস্টাননা কমপ্লেক্স অসিদা প্লুটোনিয়ম পুথোকপগী থবক হেন্না কনখৎহন্নবা হোৎনরগা অতোপ্পা প্লুটোনিয়মদা বেজ তৌবা অপিকপা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায়শিং শাবা ঙম্নবা থৌরাং তৌরিবনি হায়নসু আই এস আই এসনা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অদুদা মখা তাখিবদা পাকিস্টাননা মরুওইনা আইননা য়াদবা মওংদা রো মেটরিয়েলশিং পুশিল্লক্লগা খুসাবকী রিয়েক্টর ৪ মক থবক তৌহনবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইং ২০১১ দা আই এস আই এসনা ফোঙদোকখিবা রিপোর্ট অমদা পাকিস্টাননা য়ু এস তা অসিগুম্বা পোৎলমশিং লৌরনবা আইননা য়াদবা নেটৱার্ক অমা চলাইরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা ফোঙদোকখিবা আই এস আই এসকী রিপোর্ট অমদসু পাকিস্টাননা মসিগী ন্যুক্লিয়ারগী খুৎশু খুৎলায়শিং লোন্না চথবা ন্যুক্লিয়ার ত্রেদশিংগী মতেংদগী ফগৎহন্নবা কন্না হোৎনৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

# থাই ওপোজিসননা মীখল বোয়কোট তৌখ্রে

*বেঙ্কোক, দিসেম্বর ২১ঃ* মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ২ দা পাঙথোক্লগনি হায়রিবা থাইলেন্দগী মীখল অদু বোয়কোট তৌরগনি হায়না থাইলেন্দগী মেইন ওপোজিসন ওইরিবা দেমোক্রেট পার্টিনা লাউথোকখে

পার্টি লুচিংবা অভিসিট ভেজা জিবানা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবদা মসিনা মীখল অসিদা মীরেপ অমত্তা থাদোক্লরোই হায়খ্রে।

থাইলেন্দগী পোলিটিক্স অসি শাথিনা মায়থিরবা তাঙ্কক অমদা য়ৌরক্লে হায়নসু অভিসিটনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রানদি মীখল অসি হন্দক্কী থা অসিদা পাঙথোক্লবা লাউথোক্লুবনি। অদুবু অকনবা ইরাংনা মরম ওইদুনা মথং চহিগী ফেব্রুৱারীদা ওইনা অমুক লাউথোকখিবনি।

চৈরক অসিদা থাই আর্মিগী মকোক্লা হায়খিবদসু লৈবাক অসিদা পোলিটিক্সকী ওইবা মচেৎ তাবা ফিভমশিং লৈরিবা অসিনা সিভিল ৱার অমা থোকহনবা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি।

# ইরানদা অনৌবা সেঙ্কসন মথৌ তাদ্রেঃ ওবামা



*ৱাশিংটন, দিসেম্বর ২১ঃ* য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা হায়খিদা, ইরানগী মথক্তা অনৌবা সেঙ্কসনশিং অমুক থমজিনবা মথৌ তাদ্রে। মরমদি হৌজিক চথরিবা ৱারী ৱাতাই শানবগী থৌরাং অসি লৈবাক অসিগী ৱায়াম্নরবা ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম লেপহন্নবগী অফবা খুদোংচাবা অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি ইরাননা চংশিল্লিবা ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম অসি হৌখিবা চহি ১০ রোম হেন্না অমেরিকাগী সিক্যুরিটিদা শিংনবা অমা ওইনা লৌনরকপনি। অদুবু ওবামানা ঙসি হ্বাইট হাউসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা হায়খিবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অনৌবা সেঙ্কসনগী লেজিসলেসন অমত্তা মথৌ তাদ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মানা হায়খি, মদুদি লৈবাক অদুনা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায়শিং অমদি ন্যুক্লিয়ারগী মচাকশিং পুথোক্লবা হোৎনরিব্রা হায়বদু মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংনা লেপথোকপদা ইরাননা অয়াবা পীখ্রবনি। মরম অসিনা করিগুম্বা ইরাননা মমাংদা য়ানখ্রবা ৱারোলশিং ঙাক্তবা তারগদি হান্নদগী হেন্না কনশিনবা সেঙ্কসনশিং থম্বদা মহাক্না শৌগৎকনি হায়নসু ওবামানা ফোঙদোকখি।

ইরানগী মতাংদা মানা হায়খিবদা, অমেরিকাগী নেস্নেল সিক্যুরিটিদা হৌজিক্তগী চহি ১০ রোমগী মমাংদগী হৌনা শিংনবা অমা লৈরকই হায়বগী প্রোব্লেম অমা লৈরগদি মদু ইরান্নসু য়াবগা লোয়ননা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় থমদনবা শোইদনা হোৎনফম থোকই হায়নসু ওবামানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না কংগ্রেসতসু ইরানগী মায়োক্তা অনৌবা সেঙ্কসন থমদনবা তকশিনবগা লোয়ননা হৌজিক চথরিবা দিপ্লোমসিগী থৌওংশিং অসিসু মায় পাকপ্রা হায়বদু য়েংনবগী তাঞ্জা অমদি লৌসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জেনেভাদা ঐখোয়না পুথোকখিবা চৈরক্কী ওইবা দিল অদুগী মতুংইন্না ইরানগী ন্যুক্লিয়ারগী কেপাব্লিটিদা খোঙফম হন্দোকপা অমদি অহানবগী ওইনা ঐখোয়না খঙলে। হায়রিবা ফিভম অসি চাউরাক্লা চহি ১০ রোমগী মনুংদা অমুক্তা উখিদ্রিবনি হায়নসু মহাক্না য়ু এসনা লুচিংবা লৈবাক ৬ কা ইরানগা হন্দক্তা য়ানখিবা অদু পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

# টোম ক্রুজগী দিফেমেসনগী কেস লোইশিন্নখ্রে



*লোস এঞ্জেলিস, দিসেম্বর ২১ঃ* জর্মন মেদিয়া কম্পেনি অমনা ফোঙখিবা পাউ অমদা হোল্লিৱুদকী ষ্টার টোম ক্রুজনা মহাক্কী লোয়নবী কেটি হোল্মস খাইনবা মতমদা মচানুপী সুরিবুসু ইথ্রোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবগীদমক টোম ক্রুজনা পব্লিসর অদুগী মথক্তা থাঙ্গৎখিবা দিফেমেসনগী লো সুট অদু ঙরাং দোল্লর মিল্লিয়ন ৫০ গী শেনফমদা য়ানদুনা লোইশিনখ্রে হায়রি।

য়ু এস সেলেব্রিটি মেগাজিন লাইফ এন্দ ষ্টাইল হায়বা চেফোং অদুবু পব্লিস তৌবা বৱর পব্লিসিশিং কম্পেনি অমদি টোম ক্রুজগী এটর্নিশিংনা লো সুট অদু দিসমিস তৌবদা য়ানরকপগা লোয়ননা পার্টি অনিমক্লা মখোয়গী এটর্নিশিংগী পীফম থোকপা ফিশিং পীবা হায়বসিদা য়ানখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ক্রুজগী এটর্নিশিংনা হায়বগী মতুংইন্না য়েৎনরকপা অদু ক্রুজ অমদি বৱরনা ৱারোইশিন অমদা য়ানখ্রে। অদুগা পব্লিসিং কম্পেনি অসিনা পাউ অদু ফোঙখিবা মতমদা টোম ক্রুজনা মহাক্কী মচানুপীগা করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈনদ্রে হায়বসি অতম্লনা হায়নিংখিবা নত্তে হায়বসিদা য়াশিন্নখি। অদুগা লোয়ননা পাউ অদুদগী কনাগুম্বা মীওই অমগী পুক্লিংদা নুংঙাইতবা ফাওরগদি মদুগীদমক নিংঙমদবা পোকই হায়না পব্লিসরনা শেংদোকখিবগা লোয়ননা কেস অদু লোইশিনখিবনি। কেস লোইশিন্নখিবগী টার্মস ওফ সেট্টলমেন্টতি অরোনবা অমা ওইনা থমখ্রে হায়রি।





## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-104

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 5 | | | 9 |
| | | | | | | | 8 | |
| | | 6 | | | | 4 | | 2 |
| 2 | | 3 | | | | | | |
| | 9 | | 2 | | | 6 | | 1 |
| | | | | | | 3 | | 7 |
| | | | | | 8 | | | |
| 4 | 1 | | | | 3 | | | |
| | | | | 9 | 4 | | 6 | 8 |

*Prepared by :* **ROGER -A**

**YESTERDAY SOLUTION**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 9 | 3 | 2 | 7 | 5 | 8 | 1 | 4 |
| 2 | 5 | 8 | 4 | 1 | 6 | 7 | 9 | 3 |
| 1 | 7 | 4 | 8 | 9 | 3 | 2 | 5 | 6 |
| 4 | 6 | 5 | 3 | 2 | 7 | 9 | 8 | 1 |
| 3 | 2 | 1 | 5 | 8 | 9 | 6 | 4 | 7 |
| 7 | 8 | 9 | 6 | 4 | 1 | 3 | 2 | 5 |
| 5 | 1 | 2 | 7 | 6 | 8 | 4 | 3 | 9 |
| 9 | 4 | 6 | 1 | 3 | 2 | 5 | 7 | 8 |
| 8 | 3 | 7 | 9 | 5 | 4 | 1 | 6 | 2 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*